**TDC Even Semester Exam., 2019**

# MANIPURI

( Pass )

**( 4th Semester )**

Course No. : MANP–401

**( Novel and Short Story )**

*Full Marks* : 50

*Pass Marks* : 17

*Time* : 2 hours

*The figures in the margin indicate full marks for the questions*

Answer **all** questions

১। ৱাহৈ অমা নৎত্রগা অনীদা পাউখুম পীয়ু : ১×১০=১০

(ক) 'চণ্ডিদাস' লীলাবু কুঞ্জোনা পাল্লিবা করিগীনো ?

(খ) কুঞ্জোনা জহেরাবু থাওনা থিন্দুনা হাৎখিবা মফমদু কদায়দনো ?

(গ) জহেরা মমা-মচাবু লৈকাইদগী তাল্লোক্লবা আমিরগী নুপীনা মুন্সিদা সনা মোহর কয়া পীখিবগে ?

(ঘ) সদিয়া ফুল মচিন-মনাও অদুগী মমিং করি-করি কৌবগে ?

(ঙ) ব্রহ্মসভা হায়রিবসি করিনো?

(চ) থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা ব্রিগেডিয়ার অণ্ডৌনা জেনেরেল ওইনা থবক পুখিবদু করম্না ডিপার্টমেন্টতনো?

(ছ) কেপিটেলিষ্ট কস্তুরীলালবু মণিপুরগী কনানি হায়না খঙনবগে?

(জ) "মথৱায় পাম্মুদবদদি লৈবাক অসিগী লান্মীদা লান্মীনি।"
'লান্মী' হায়রিবসি কনাবুনো?

(ঝ) "যমুনা! ঐ চৎলগে; নঙগী লুহোংগদৌবা খিত্তা ঙায়রে, মদুগীদমক্তা নঙবু চাক্লৌবা লাক্লিবনি।"
ৱাফম অসি কনানা হায়খিবনো?

(ঞ) 'পোষ্ট-মোর্টেম' ৱারীমচাদা থৌরী য়ান্দুনা শিরল্লিবী নুপীমচাদুগী মমাগী মমিং করি কৌই?

মরী-মখোঙ তাক্তুনা শন্দোক্না ইয়ু :

২। বিধাতানা হিন্দু-মুসলমান হায়না খাইবিরম্বা করিগীনো? অদুগা নিংনবগী মরীবুদি করিগী ককথৎপিরমদবগে? নংনা শেন্বা নিয়ম অসি লাল্লি। ১০

**নৎত্রগা**

৩। অহলসিসু পুন্সীগী অৱা-অনা মায়োক্নরবসু মখুন অসিবু, চীংম্নায়শিং অসিবু, বরাক তুরেলবু থাদোকনিংদে হায়বা চোংনিকিন খঙই। ১০

ৱাহৈ-পরেং মরি নৎত্রগা মঙাদা পাউখুম পীয়ু :

৪। (ক) "থাং অদুদা য়েংই, মমাই অদুনা সুন্দা হাইগৎলকই, অঙাওবদৌনা নোকফেৎ তৌই।"

অঙাওবদৌনা নোকফেৎ তৌরিবসি কনাবুনো অমসুং করিগীনো ? ১+৪=৫

(খ) "নিংজববু ময়েং তাগদগী শরুকপুদি পুন্সি অসিমগী অপাম নুংশি কৌবদা থুংজখ্ররোই হায়রি।"

কনানা হায়খিবনো ? ৱাফমসিনা করম্বা মখলগী নুংশিবগী মশকপু তাকপগে ? ১+৪=৫

## নৎত্রগা

৫। (ক) "তাবিয়ু তুরেন মপান্দা টিনগী দুকান অহাংবা কা অমা লৈবসে অসিদা অহল অনিখক লৈ।"

কনানা কনাদা হায়খিবনো ? অহল অনিদুনা করি মরমদগী তুরেল মপান্দা লৈখিবনো ? ১+৪=৫

(খ) "ঐদি মাঙলগা মাঙলে তারগা তারে মাংবা শেংবগীদি করিসু খনবিদেদা।"

কনানা কনাদা হায়খিবনো ? করিগীদমক্তা অসুম্না হায়রিবনো ? ১+৪=৫

৬। (ক) "ফনেক খোংদাই শেৎপীগীদমক্তি আইনসু মমিং তাঙবনি।"

কনানা হায়খিবনো ? করি মরমদগী অসুম্না হায়খিবনো ?

১+৪=৫

(খ) "মদুগী মতাংদো ঐগী ওইনদি সেরিয়েল নম্বর অনী অদু পামজরে।"

সেরিয়েল নম্বর অনী পামজরিবা মীশক্তু কনানো ? করিগীদমক্তা পামজরিবনো ? ১+৪=৫

নৎত্রগা

৭। (ক) "ঐগী পুন্সীদি কুন্দোগুম নিঙ্খায়রক্লবনি।"
'ঐ' হায়রিবসি কনানো? করিগীদমক্তা অসুম্না হায়রিবনো? ১+৪=৫

(খ) "নঙনা ঐনা লায়য়েংবা ঙল্লরোইদবা লায়নানা নারবনি মতমসি। সমাজ অসি নারবনি।"
'নঙ-ঐ' হায়রিবসি কনা-কনানো? 'সমাজ অসি লায়য়েংবা ঙল্লরোইদবা লায়নানা নারে' হায়রিবা করিগীনো? ১+৪=৫

৮। "ঐগী য়ুম্মুরেম্না বাবু কস্তুরীলাল অচম্বা মী নত্তে, হৌজিক্কী মণিপুর অসিগী হৌদোকমিন্নরকপা অদুগুম্না মীশক অমনি।"

করিগীদমক্তা কস্তুরীলালবু অচম্বা মী নত্তে হায়রিবনো? মাগা মণিপুরগা হৌদোকমিন্নরকপনি হায়রিবা করিগীনো? মরীক চুম্না ইয়ু। ৩+৭=১০

নৎত্রগা

৯। "নোংদি তারকখিদ্রে। থম্মোয়বু ইংহনবা চীংমায়বু ইশং-শংহনবা। হৌজিক্তি করিবু কান্নরিবগে নোংনা তারক্লবসু।"

নোং তারক্তবনা লুংজাহাও অমসুং চোংনিকিনগী লায়র-অনংগী পুন্সিদা করম্না অৱাবা নংবগে? 'হৌজিক্তি করিবু কান্নরিবগে নোং তারক্লবসু' হায়বসিনা মবানিগী পুন্সিগী করম্না থম্মোয় শোকপা ৱারীগা মরী লৈনবগে? মরীক চুম্না ইয়ু। ৩+৭=১০

★★★



WWW.SRCOLLEGE.AC.IN